হন্দক্কীসিনা অরোইবা লোকদাউন ওইহল্লসে

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

হৌজিক-হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎকী অনীশুবা ৱেভ অসিগী ফীভম অসিনা থা অনী হেন্না চথরকপা লোকদাউন অসিনা মরম ওইদুনা ইরমদমগী ইরৈচা খুদিংমক য়াম্না ৱানরে। অসিগুম্বা শাংনা চথবা লোকদাউন অসিদা হেন্না ৱাহল্লিবদি নোংমগী শূজ-নোমজদুনা চাকখুম মৈ মুৎতনবা হোৎনজবা, লৈত-লায়র কয়াদদি অৱাবসি খম থেংলবনি।

লোকদাউন শেল্লিবা মখোয়দি অৱাবা থোইদোক্না লৈরোই। মখোয়গীদি চথোক-চৎশিন্দসু থোইদোকপা লৈরোই চে চাং অমা অদুম পায়রমগনি। টাইৱান্দা লোকদাউন তৌদে ঙসি ফাওবদা কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী থাদগী হৌরকখিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎসি থেংনবদা। হোয় সেন্ট্রেল লৈঙাক্না চেকশিলহৌদবদগী হন্দক্কী অনীশুবা ৱেভ অসিদা খঙহৌদনা মীওই ৭৭৩গী পুন্সি লমখাংদা লোমখ্রে অদুগা মীওই ১৫,৪৫৩ বুনা লাইচৎ অসি পকহনখ্রে। অদুবু টাইৱানগী লোকল লৈঙাকশিংনা কন্না চেকশিন্না হোৎনবদগী টাইৱানদা নোংমদা পূন্না মীওই ৫৫৪ য়ৌনা পোজিটিভ কনফর্ম ওইরম্বা অদুনা ঙসিদি নোংমদা মীওই ২০গী মখাদা হন্থহনবা ঙম্লে। লোয়ননা নোংমদা মীওই ২৯ য়ৌনা শিরম্বা অদুসু ঙসিদি নোংমদা মীওই ১-৬ ফাওবগী মনুংদা হন্থহনবা ঙম্লে। মসিগী মরু ওইবা মরমদি লোকল লৈঙাক্কা মীয়ামগা পূন্না চৎমিন্নদুনা এস ও পি ঙাক্না চৎপা অদুননি।

অদুবু, অসিগুম্বা চৎন-কাঙলোনশিং অসি ঐখোয় ইরমদম কংলৈপাক্তা লৈতে, মরমদি লৈঙাক পায়বীরিবা মীওইশিংসু, মীচম মীয়ামসু ৱাখল তাদে। লৈঙাক্কী লুচিংবশিংসু মখোয়না মীয়ামদা ইন্দুনা চৎলু হায়রিবা এস ও পি, চৎন-কাঙলোনশিং অসি ইন্দুনা চৎতে। মসি ঐখোয়না টি ভিদা, সোসল মীদিয়াদা তোয়না উবা ঙম্মী। অদুগা ইরৈচা মীচম মীয়ামসু পুলিসনা, আর্মিনা উদ্রদি ইয়া য়াই হায়না লায়না খন্দোক্তুনা চৎন-কাঙলোনশিং অসি ইন্দে। মসিনা মরম ওইদুনা অসুক শাংনা লোকদাউন হঞ্জিন-হঞ্জিননা তৌদুনা লাক্লবা ফাওবদা লাইচৎ অসি শন্দোকপগী চাংসি হন্থরকপা লৈতে অদুগা শিবগী মশীংসু হন্থরকপা লৈত্রি। ময়াং তাবা লমদমগুম মীশিং য়াম্না লৈবা নত্তবনা ৱাদবা, নুংনাংদবা, মীপাইদবা ঙমদেদো ঐখোয়গী খুন্নাইসিবু মুৎখিগদৌরব্রা হায়না খনবদা। মীয়ানচা, মীতোপ ময়াম লেপ্তুনা থোমজিল্লকপা, অতোপ্পগী নাৎতা চাওথোকচবা পোকচদুনা ইনাৎপু থাদোকপীবগী মীশিং য়ামখৎলকপা অসিগী মীপাইবা, নুংনাংবা লৈরিবা অসিগী মথক্তা কোভিদ লাইচৎ অসিনা নোংমগী লেপ্তুনা মীওই ১৫/১৬ শিহল্লকপা অসিদা ৱাদবা ঙমদেদো।

পূম্নমক অসিদগী ঐখোয়গী খুন্নাইসি কলহৌসি হায়রবদি খ্বাইদগী অহানবা খোঙথাংদি লাইচৎ অসিদগী হিংহৌবা অসিনি। হিংবু হিংহৌরবদি ঐখোয়গী তুংগী হোপ য়াম্না লৈরি।অদুবু ঐখোয়না চেকশিনহৌদবদগী, থৌশাহৌদবদগী তুম্না শিখিবা তারবদি তুংগী আশা হায়বদো অমুক লৈররোইদো। মরম অসিনা লেমহৌরিবা নুমিৎ খরা অসি ৱারবসু ৱানা লাইচৎ অসিনা ঐখোয়বু হাৎত্রিঙৈদা কোভিদ লাইচৎ ঙাকথোক্লবা থল্লিবা এস ও পি, চৎন-কাঙলোনশিং অসি ইন্দুনা চৎমিন্নরসি।

অনীশুবা কোভিদ লাইচৎকী ফীভমসিদা, লৈঙাক্না এস ও পি ঙাক্না চত্তে হায়বগীসু থোইদোক্না খনবীরুরনু। মখোয়দি নারকপা থোক্লবসু শঙ্গ লৈবনিনা অদুম লায়েংখিগনি অফ-অফবা লায়েংশঙদা। মদু ঙমজদবা ঐখোয়তনি পুন্সি লমখাংদা লোমখিগদৌবা। মীচম নখোয়-ঐখোয়দি থম্বু থমখিসি মমিং লৈরবা, শঙ্গ লৈরবা, শেল পায়বা, লৈঙাকসিগা য়াম্না নক্না শম্নদুনা চৎমিন্নরম্বা মীওই কয়াসু নারক্তুনা লায়কন্নবা ঙমদনা পুন্সি লোমখ্রবা কয়াসু লৈরিবনি। মরম অসিনা ঐখোয় খুদিংমক্কী খ্বাইদগী ফবা লম্বীদি লম্বী লমজাওদা থোক্লুন্দবা, মপান থোক্লুন্দবা অসিনি। মপান থোক্লুদে, লমজাও থোক্লুদে হায়দুনসু য়ূমথংনবগা, লৈকায়গী মরুপ-মপাংশিংগা পূনশিন্দুনা জ্বার শান্নবা, লুদো শান্নবা, য়ু থকমিন্নবা, পূনশিন্দুনা ৱারী-ৱাতাই তৌবা, চামিন-থকমিন্নবনচিংবা তৌরবদি লোকদাউন তৌবগী ৱাহন্থোক লৈতে হায়বসিমসু কাউবীগনু।

নোংমগী চরা তাঞ্জবা ইরৈচা কয়াসু লেমহৌরিবা নুমিৎ খরসিদি য়ূমদগী মপান থোকপীরুরনু নোংমগী চরা তান্নবা হোৎনরিবনি হায়দুনা, মরু ওইনা য়ু অমদি দ্রগনচিংবা য়োনবা মীওইশিংনা খরা খিৎ হেল্লি চৎন-কাঙলোনশিং অসি থুগাইদুনা শেল তান্নবা হোৎনবা। মসিদগী ফংলকপা শেল অদুনা নখোয় নখোয়গী চারা তানবদি ঙম্লম্বা য়াই অদুবু অসিগুম্বা শেন্দাল লম্বী অসিনা খুন্নাই অসিবু মাঙহনবতা নত্তনা লাইচৎ অসিবু শনে দাকপদসু মতেং ওইহনগদৌরিবনি। হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদা থবক অমা হেক্তা ওইসনু, শেন্দাল লম্বী অমা হেক্তা ওইসনু লেমহৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিদি য়ূম-য়ূমদা পোত্থাবীরো। মদুনা খুদিংমক্কী অফবা ওইগনি। কোভিদ লাইচৎ অসি ইনাকখুনবা লায়রবা খায়দবনি, থবক ৱাংবা নেম্বা, লাইরিক লাইশু হৈবা হৈতবসু খায়দবনি। থেংন-থেংনবা অদুম হাৎনবা হোৎনবনি। অদুনা য়ূম-য়ূমদা লৈদুনা ঙম্না-ঙম্নবা হিংহৌনবা হোৎনরসি লেমহৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিদি।

অসিগুম্বা কোভিদ-১৯গী ফীভম অসিদা, মশা মউ ফনা লৈনীংবা ইরৈচা নখোয়সু নুমিৎ খরনিসিদি মপান্দা থোক্তুনা ৱাকিং চৎপা, লমজেল চেনবা, ফুটবোল শান্নবা, বাস্কেটবোল শান্নবনচিংবদো খরা লেপখিসি। নুমিৎ খরনি মপান থোক্তুনা শান্নদবদা থোইদোক্না হকচাংদা ফত্তবা ওইরোই। য়াম্না শান্ননীংবা লৈরগনা য়ূমদা অয়াবা মওংদা শান্নবীয়ু, শাজেল তৌবীয়ু।

অদুগা য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম অমনা, কোভিদ-১৯গী হীদাক কাপথোকপীয়ু। মসি সেকেন্দ ৱেভকী খক নত্তে। অহুমশুবা ৱেভসু লাক্কনি হায়না থাজনরি ইন্দিয়াদা, ইরমদমদা। অহুমশুবা ৱেভ অসি লৈবাক কয়াদা শন্দোকপা হৌখ্রে হায় অদুগা হান্নগী ৱেভশিং অসিদগী য়াম্না হেন্না মপাঙ্গল কনবা হেল্লি হায়নরি। মসিদগীসু ঙাকথোক্লবা কোভিদকী হীদাক কাপথোকপা য়াম্না মথৌ তারি। হীদাক কাপ্পদগী মীওই অমা অনী শিবা হায়বসিদি অদুম মহৌশানি। মসি মালেমগী মফম খুদিংমক্তা অদুম থোকপনি। অদুবু অমা অনী শিবা য়াওই হায়দুনা কিবদগী, হীদাক কাপথোক্ত্রবদি লাইচৎ অসিনা নারকপদা অমদি অহুমশুবা ৱেভনা য়ৌরকপদা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমদবা য়াই।

হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী ফীভমসিদা লৈঙাক্না পীরিবা চেঙ, হৱাই কোন্ননা পীবা-পীদবা ৱাকৎলুবা তৌদনা, লৈঙাক্না এস ও পি, চৎন-কাঙলোন ইল্লি ইনদে খল্লুবা তৌদনা লেমহৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিদি অরৈ অরৈবা চাদুনা, ৱারবসু ৱানা খাঙদুনা য়ূমদগী মপান থোকপীদনা হিংনবা হোৎনরসি। ঐখোয়না চৎন-কাঙলোনশিং অসি ইন্দুনা লাইচৎ অসি হাৎতোকহৌদবা তারবদি ঐখোয় হেন্না হেন্নদুম অৱাবা তাগনি। লোকদাউন তৌবগী অয়াবা পীরিবা অখঙ-অহৈশিং, লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিংদি লোকদাউন তৌরবসু থোইদোক্না অৱাবা লৈরোই মখোয়গী চান-থক্লবসু পৈশিন পৈশিন্দুনা লৈনবা ঙাক্তনিনা। ৱাগদৌরিবদি শঙ্গ লৈজদবা, চান-থক্লবা পৈশিনবা ঙমজদবা ঐখোয় খক্তনি। মরম অসিনা লৈঙাক্না চৎন-কাঙলোন ইনবা ইন্দবা, ৱাখল তাবা তাদবা, ঐখোয়দি চৎন-কাঙলোন ইন্দবা য়াদেদো। নৎত্রবদি য়াম্না শাংনা হঞ্জিন-হঞ্জিন লোকদাউন তৌদুনা ঐখোয় য়াম্না ৱাখিগদৌরি। ঐখোয় ৱাখল তামিন্নসি ইরৈচাশিং।

লোইশিল্লকপদা, লোকদাউন তৌরিবা অসিগী ৱাহন্থোক খঙমিন্নসি। লোকদাউন তৌবগী খ্বাইদগী অচম্বা ৱাহন্থোক্তি মপান থোক্লুদনা অমগা অমগা শোক্না শম্নদবা অদুনি। মসি খঙনা লৈঙাক পায়রিবা মীওইশিংসু, মীচম মীয়ামসু এস ও পি ঙাক্না চৎন-কাঙলোন ইন্দুনা হিংনবা হোৎনমিন্নরসি। হিংবু হিংলবদি তুংগী হোপ য়াম্না লৈরি, হোৎনবা য়ারি। য়াইফমিন্নরসি। ●

জুন থানা লাকপদা-৪

- ডা. এম নরা -

কুমজা ১৯৮৮গী জুন থাগী হৌগৎলকপদা হায়বদি তারিখ ১দগী ১০ ফাওবগী মতমসিদা পুন্সিগী কাউঙ্ল্লরোইদবা থৌদোক অমগা অমুক থেংনজখি। মালেমসিদা লাল লিশীং কয়া থোকখ্রে, অপিকপদগী অচৌবা লালশিং - অহানবা অমসুং অনীশুবা লাঞ্জাওশিং য়াওরগা। মীওই মিলিয়ন কয়াগী পুন্সি লোমখ্রবনি। অদুবু অনীশুবা লাঞ্জাও ফাওবদি ন্যুক্লিয়রগী খূৎলায়শিং শীজিন্নখিদে, মরমদি মালেমগী লৈবাক অমত্তনা শাবা হৌদ্রি। কুমজা ১৯৪৫গী ওগষ্ট থাগী তারিখ ৬ অমসুং ৯দা জপানগী হিরোসিমা অমসুং নাগাশাকি ঈথৎ অনীদা অমেরিকানা চাংয়েং তৌখিবা এটোম বোম অনীদুনা মীওইবগী ইতিহাসতা অফোংবা ন্যুক্লিয়রগী অহানবা মথি ফোংলকখিবা শক্তি লৈরবা খূৎলায়শিংনি। ন্যুক্লিয়র শক্তি পায়রবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ঐখোয়গী লৈবাক ভারতবর্ষসু অমনি। অতৈ লৈবাকশিংদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকা, রুসিয়া, বৃটেন, চাইনা, ফ্রেন্স, পাকিস্তান, নোর্থ কোরিয়া অমদি ইজরেলনি। অতোপ্পা লৈবাক খরসু শোয়দনা লৈরম্লগনি থাজনরি। করিগুম্বা ৩শুবা লাঞ্জাও অমা মালেমগী ওইনা থোক্লক্লবদি মদুনা মীওইবা খুন্নাইগী অরোইবা লাইচৎ ওইরগনি হায়না ডাক্তরশিং অমসুং সাইন্টিষ্টশিংনা ফাওরি।

মরম অসিনা মালেমগী ডাক্তরশিংগী ওইবা লূপ অমা কুমজা ১৯৮০দা শেমখি - মমিংদি "ইন্টরনেসনল ফিজিসিয়ান্স ফোর দি প্রিভেন্সন ওফ ন্যুক্লিয়র ৱার" (আই পি পি এন দব্লিয়ু) কৌই। অমেরিকাগী ফাওরবা কার্দিওলোজিষ্ট ডাক্তর বর্নার্দ লাউন অমসুং সোভিয়েটকী ফাওরবা কার্দিওলোজিষ্ট ডাক্তর ইভগিনী চাজোব অনীগী লমজিং মখাদা শক্তি লৈরবা শান্তিগী ঈহৌ অমা মালেম শিন্থুংনা শাগৎপা হৌরকপা (কুমজা ১৯৮৩গী প্রাক্কী শান্তিগী মীফম য়াওজরুবদগী) শম্নরক্তুনা ইন্দিয়াগীসু নেসনল চেপ্টর অমা কুমজা ১৯৮৪দগী শেমগৎতুনা থৌ পুজবা মীশক অমা ওইরকখি।

য়াম্না য়াঙনা মালেমগী লৈবাক ১০০ রোমগী ডাক্তরশিং পুনশিল্লক্তুনা অচৌবা শান্তিগী ঈহৌ অমা ওইরক্তুনা কুমজা ১৯৮৫দা নোবেল পিছ প্রাইজ ঐখোয়গী লূপ আই পি পি এন দব্লিয়ুদা পীবিখি। লূপসিগী ৱর্ল্ড কোংগ্রেস (অচৌবা মীফম) কয়া য়াওরুরে, মদুদগী থেংনজরকপা অখন্নবা পাউ খরদং খনগৎচরগা লাম্থোকচবনি। পঞ্জরিবা থৌদোকশিং অসি জুন থাগী মনুংদা থোকখিবশিং অদুখক্তং লৌখৎচরগা পাউদমজরিবনি।

কুমজা ১৯৮৮গী জুনগী তারিখ ৩দগী নুমিৎ মঙানি চূপ্পা কানাদাগী মোনত্রিল সহরদা ৮শুবা ৱর্ল্ড কোংগ্রেস ফমখি। ইন্দিয়াগী দেলিগেসন্দা মণিপুরদগী ঐহাক অমসুং ডাক্তর থোকচোম বিরেন শরুক য়াজরুই। খোঙচৎ অসিগী মরু ওইবদুনি পাউদমজনীংলিবা। ঐখোয়গী লূপ আই পি পি এন দব্লিয়ু অসি নোবেল প্রাইজ ফংখিবা মতুংদদি মীয়াম্না শকখঙবীবা লোয়ননা মালেম শিন্থুংনা মসা মরেং শন্দোকপা ঙম্বা প্রোফেসনল ওর্গনাইজেসন ওইরক্লে। আই পি পি এন দব্লিয়ু অসিদা এফিলিয়েট তৌরিবা ইন্দিয়ান চেপ্টর অসিগী মমিং ইন্দিয়ান ডাক্তরস ফোর পিছ এন্দ দিভেলপমেন্ট (আই দি পি দি) কৌই। ঐহাক নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট অমা ওইনা থৌদাং পুজরি।

জুনগী তারিখ ১দা ঐখোয় মোস্কোদা থুংখি অমসুং মথংগী নুমিৎতা মোনত্রিলদা থুংগদবনি। অখন্নবা স্পেসল এরোফ্লোটকী প্লেন অমদা মোস্কোদগী দাইরেক্ট মোনত্রিলদা পুং ১২ রোম চঙনা পাইবনি। অদুবু পুং ১দি লমখাংদা গনধার হায়বা কানাদাগী ফজখ্রবা ঈথৎ অমদা প্লেন অদু থাও হান্নবগীদমক্তা খামখি। তাঞ্জা অদুদা ঐখোয় ময়াম অদু শক তারুবগী খুদোংচাবা ফংদুনা ৱারী ৱাতাই শানদুনা ঐখোয়গী ৱর্ল্ড কোংগ্রেসকী মরীক চুম্বা প্রোগ্রামগী মরমদা খঙমিন্নখি।

খোঙচৎ অসিগীদমক মতমদুগী সোভিয়েট লৈঙাক্না জেট এয়রলাইন্নর প্লেন অনী পীবিখি। প্লেন অনীসিনা য়ুরোপ অমসুং এসিয়াগী দেলিগেটশিং লোয়ননা মালেম শিন্থুংনা খঙনরবা শৈশকপা মাইকেল জেকশন অমসুং মহাক্কী খোঙলোইশিং পুদুনা মোনত্রিলগী ৮শুবা ৱর্ল্ড কোংগ্রেস অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা চাওনা মায় পাক্লবা হোৎনখি। মাইকেল জেকশন অমসুং মহাক্কী টিম অসি লন্দন্দগী হৌরগা দ্রেসদেন (জর্মনি), মোস্কো, মোনত্রিল অমসুং ন্যু য়োর্ক সিটিশিংদা ম্যুজিকেল কন্সর্ট পাঙথোকপনি। মিশা সোলেমনিস হায়না মমিং থোনবা প্রোগ্রাম অমা মালেম শিনবা থুংনা শান্তিগী পাউজেল পুদুনা ন্যুক্লিয়রগী লাঞ্জাও থিংনবা কেম্প্যেন অমা আই পি পি এন দব্লিয়ুনা শিনবনি। লন্দন, দ্রেসদেন অমদি মোস্কোগী কন্সর্ট অহুম পাঙথোক্লগা মোনত্রিল অমসুং ন্যুয়োর্কতা পাঙথোক্লবগীদমক ঐখোয়গা পূন্না লাকমিন্নবনি। ঐখোয় হৌজিক্তি পূন্না খঙমিন্নরবনিনা হয়েংদি মোনত্রিলগী ওলিম্পিক গেমস নংনবা শাখিবা মী লিশীং য়াঙ্খ্রে চনবা কন্সর্ট হোলদা মাইকেল জেকশন অমসুং মহাক্কী খোঙলোয়শিংনা পর্ফোম তৌগদৌরিবা কন্সর্ট য়েংনবগীদমক হরাও মথোই কাবা হৌরকখি। থাও হানবা লোইরদুনা ঐখোয় পূম্নমক মোনত্রিল তান্না চৎনবা লাউথোরকখি। পুং অনী খা হেনবগী মতুংদা ঐখোয়গী প্লেন অনীদু মোনত্রিলদা থুংখি।

ঐখোয় মোনত্রিলগী মকগীল য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা লৈ। ৱর্ল্ড কোংগ্রেস অসি হৌদোকপগা লোয়ননা নুমিদাংৱাইদুদি অঙকপা মীফম, ম্যুজিকেল কন্সর্ট অসি য়েংবা লাকখিবা, টিকেট মমলদি দোল্লর ২৫০, চাওরাক্না ইন্দিয়ান রুপী ২,০০০ লোম ওইগনি মতমদুগী ভেল্যুদা, মী লিশীং য়াঙ্খ্রে ফম্নবা সিট অমফাওবা হাঙখিদে। ঐখোয় দেলিগেটশিংগীদি 'জুন ৩, ১৯৮৮ মিশা সোলেমনিশ মোনত্রিল, কানাদা" থাবা টি শার্ট অমগা ফ্রি টিকেট অমমমগা পীদুনা কন্সর্ট অদু য়েংখি। অসুক য়াম্না চাওনা শিনবা ম্যুজিকেল কন্সর্ট, মদুসু মীওইবগী পুন্সি কন্নবা হোৎনখিবা থৌরাং, পূক্নিং পেন্না নুংঙাইজবা অমদি শিনফম অসিদা লৈজরুবগী চাওথোকচবা ফাওখিবা মীকুপ অমনি।

পুং অনীরোম চথখিবা থৌরম অদু ঐহাক্না ইজরগা পাউদমজবদা অৱাৎপনা থনগনি, পাউদমসিনা মীয়াম্বু পেলহনবসু ইতিক নৎচদে। অরোইবগী ঈশৈ অসিমতংদি খজিক্তংগা শমথজগে। ঐখোয়না মফম মতমগী মতুংইন্না হেক হেক ইংরাজি লোন্দা শক্লবা ঈশৈনি।

"We shall overcome someday
Oh! deep in my heart, I do believe
We shall over come someday.
The truth will make us free,
We are not afraid to-day,
We shall work hand in hand
We shall live in Peace someday
Oh! deep in my heart, I do believe
We shall over come someday"

"নোংমদি ঐখোয়না জয় ওইগনি
ঐগী থম্মোয়দা চেৎনা থাজৈ,
অচুম্বনা ঐখোয়বু নীংতমহনগনি;
ঐখোয় অকিবা লৈতে, খূৎশম্নুনা চৎকনি
ঐখোয় শান্তি লৈনা হিংগনি
থম্মোয়দা চেৎনা থাজৈ,
নোংমদি ঐখোয়না জয় ওইগনি"।

ঈশৈ অসি ক্লোজিং ওইনা মাইকেল জেকশন অমসুং মহাক্কী খোঙলোয়শিংনা লৈজবী থাদুনা ফজনা শক্লকপদা য়েংলিবা ভাবক লিশীং য়াংখৈনা পূন্না হৌগৎতুনা পাম্বোম অনীমক থাঙ্গৎতুনা খোঞ্জেল থোক্না অমদি মীৎতা পি শিন্থনা শকমিন্নখিবা ঈশৈগী শাফু মালেম শিন্থুংখি।

লন্দনদগী ন্যু য়োর্ক ফাওবদা পাঙথোকখিবা ম্যুজিকেল কন্সর্ট মঙা অসিদা দোল্লর মিলিয়ন খরা দান ওইনা প্রজানা তৌবীরকখিবশিংদু আই পি পি এন দব্লিয়ুনা মালেমগী খ্বাইদগী শোত্থনা লৈহৌরবা অফ্রিকাগী লৈবাকশিংদা 'কম্যুনিকেসন ফোর হেল্থ' হায়বা প্রোজেক্ট অমা শেমগৎতুনা লায়রবা মীয়াম হিংহন্নবগী থবক পায়খৎচখি।

কুমজা ১৯৯১দদি আই পি পি এন দব্লিয়ু লিংখৎখিবগী চহী ১০ মপূং ফারকপগী থৌরম স্বিদেনগী কোনুং ষ্টোকহোলমদা জুন ২৭তগী জুলাই ১ ফাওবা চাউনা পাঙথোকখি। তাঞ্জাসিদি ঐহাক অহানবা মন্ত্রি ওইরবা মতমনি। ইন্দিয়াগী দেলিগেট পূন্না ২৬ চৎপগী মনুংদা মণিপুরদগী ঐখোয় ১৯না শরুক য়ারুই, ঐহাক্না দেলিগেসন্দু লমজিংখি।

স্বিদেনগী তোঙান্না ফজরবা চৎনবী অমা ওইনা লৈরম্বা গেষ্টশিংবু নুংশিনা অমদি য়াম্না নক্লনা লৈমিন্ননীংবগী থবক খূৎতৌ অমা থেংনরকখি। মদুদি অসিগুম্বা অচৌবা মীফম অমা লাকপদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাকপা দেলিগেটশিংবু মখোয়না য়ূম য়ূমদা থম্নিংবা অসিনি। মশা মশানা গেষ্ট অমা/অনী নৎত্রগা অহুম থমজগে হায়বসি হান্না ওর্গনাইজরশিংদা অইবা ওইনা খঙহল্লি। মদুগী মতুংইন্না গেষ্টশিংগীসু অপাম্বা হায়নরগা শিনবনি। ঐহাক ঈশামক, ডাক্তর এস এন প্রসাদ, ডাক্তর অমরজিৎ ঐখোয় মণিপুরগী দেলিগেট তরামুক্তি মীগী য়ূমদা গেষ্ট ওইনা লৈরুই। ঐখোয়বু এয়রপোর্টতা ওকপা, চৎকদবা নুমিৎতুগী এয়রপোর্টতা অমুক থিনবীরকপা অমদি চামিন-থকমিন্নবা মখোয়গী চৎনবীনি। মসি পূম্নমক ভলন্টরি সর্ভিসনি। মীফমদুদা য়াওরুবা মণিপুরগী দেলিগেটশিংগী মমিং - ডা. এম নরা, ডা. এস এন প্রসাদ, ডা. কে এস ঐচ চৌরজিৎ, ডা. এল অমরজিৎ, ডা. টি ঐচ ধবলি, ডা. এম মোধুমঙ্গোল, ডা. কে তোম্বা, ডা. আর কে ভাবিনিসনা, ডা. বেদা, ডা. সঙ্গিতা, ডা. পাদোং, ডা. শারকোপ শয়িদ, ডা. ঈ নন্দিনি, ডা. রূপোবতি, ডা. পুস্প, মিষ্টর. এন কে মুখর্জি, মিষ্টর নিলমনি অখাম, ডা. সী দাস অমদি মিষ্টর চোংথাম রাহুলনি।

মপূংদা রিমসকী ওজাশিং অমসুং নহা ওইরিবা ডাক্তরশিংগী দেলিগেসনসিদা য়াওরিবশিং অসি ইন্দিয়াগী ষ্টেট অতৈগো চাংদম্নবদা মণিপুর য়ুনিট অসি য়াম্না এক্টিভ ওইবা টিম অমনি হায়না লৌনৈ। মরম অদুনা মীফমসি লোইরকপদা রিমসকী মহৈরোয়গী য়ুনিটতা Albert Switzer Peace Achievement Award সু খূৎশিন্নবীরকখি। এৱার্দ অদু আই পি পি এন দব্লিয়ুগী এগজিক্যুটিভ সেক্রেটরি Dr. John-O-Pastore না সেরেমোনি অমদা য়াম্না চিং লেম্না শিন্নবীবনি। লোয়ননা মণিপুর য়ুনিটকী মায়কৈন্দগীসু ঈশৈগী ওদিও কেসেট অমা আই পি পি এন দব্লিয়ুগী হেদ ক্বার্টর বোষ্টোন (য়ু এস এ) গী অর্কাইবতা থম্বীনবা Dr. Jhon Pastore দা খূৎশিন্নখি। ঈশৈ অসি শান্তিগী ঈহৌসিগা লোয়ননা ইজখিবনি। শক্নাইরবা শৈশকপশিং শগোলশেম তিজেন্দ্র অমসুং খুন জয়কুমার অনীনা শঞ্জ পানবীবনি অদুগা শৈশকপীবনা মখোয় অনীগা সুনিতা অমসুং য়েন্দ্রেম্বম বীমোলাগা পূন্না শকমিন্নখিবনি। ঈশৈ ময়েক মখাদা ইজরি।

- নিল্লে খোল্লাউ শান্তিগী
কাচিন কোয়া শিন্থুংনা,
লাওরি মফম খুদিংদা
লালগী ধমকা কান্নরোই
ন্যুক্লিয়র খূৎলায় থাদোকউ
হিংবৈ অধিকার মৎকনু
মীওইবা জাতিবু হিংহল্লু।
- চানবা চিঙ্গাক পুথোকউ
শেৎন ইন্নবা ফংহল্লু
লৈনবা য়ুম্বু শাগৎলু
করিগী ক্রুইজ মিসাইলনো?
এটোম্বু চাবা য়াব্রা?
লায়েংশঙনা মরুনি

মহৈ তম্ফমশঙ শেমগৎলু।
- লালগী খূৎলায় শাবদা
লুপা ক্রোর কয়া চঙহনবা
জাতি কয়া হাৎনহনবা
শেন্দোংতগী খনবদা
পুন্সিবু শান্নপোৎ ওইহনবা
শেঞ্জাও পায়বগী নিতিনি;
অপূনবগী শক্তিতনা
মান্নবগী লিচিংতনা
পুরক্কনি জয় ঐখোয়না
নিল্লে খোল্লাউ শান্তিগী
কাচিন কোয়া শিন্থুংনা। ●

ষ্টেটকী পাউ

ঈশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচএনএস):

অমুকোগা পূন্না খূৎশম্নদুনা নোর্দরন য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (নুকো) না কোল্লিবা মফমশিংদা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভনা মরম ওইদুনা খরা হেন্না অৱাবা তারবা ইমুং ২১৬দা মতেং পীখ্রবা মতুংদা মখা চত্থরকপা ওইনা নুকোগী এরিয়াদা হাংলিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর অনীদা হায়বদি খোংহাম্পাৎ হায় স্কুল অমদি কান্টো খুল্লেন জুনিয়র হায় স্কুলদা হাংলিবা সেন্টর অনীসিদা অমুকোগা খূৎশম্নদুনা ঈশিং য়েন্থোকখ্রে হায়না নুকোনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিদা, মখা তানা মীয়ামগী মতেং পাংখিনি হায়বা ৱাফম থম্বগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ মায়থিবা পীনবা লাম্থেংদা শরুক য়ারিবা ঈরৈচা পূম্নমকসু অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুম্নবা উৎচরি অমদি ঐখোয় পূম্নমক অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা কোভিদ-১৯ মায়থিবা পীমিন্নদুনা কোভিদ ফ্রী ওইবা ইরমদম অমা ওইহল্লসি হায়রি।

লৈঙাক্কী স্কুলদা মহৈরোয় মশিং য়াম্না তমহনবা ঙম্লবা মতমদা লৈঙাক্কী স্কুল ফগৎহনসি মিশন মায় পাক্কনি: এমসু

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচএনএস):

মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা স্কুলশিং ফগৎহন্নবা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙদুনা লাক্লবসু হান্নগী ফিভমদগী অহোংবা ইরৈ লৈত্রিবা অসিগী চাউরবা মরমদি লৈঙাক্কী মহৈরোয়শিংদা মহৈরোয়শিং তমহনবগী চাং ৱাৎপননি হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি ৱাংখৈময়ূম রিমাকাননা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কোভিদ লায়না লাইচৎ অসিগী সেকেন্দ ৱেভকী পেন্দমিক অসিনা মরম ওইরগা ক্লাস টেন অমদি ক্লাস টুয়েল্বকী মহৈরোয়শিং প্রমোসন পীরগদবা মরম্না মমাঙ চহীশিংগা য়েংনরুবদা মহৈরোয়শিং লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙশিংদা তম্নবা অমুক্কা হেন্না ৱারগনি। মণিপুরগী কাচিন-কোয়া শীনবা থুংনা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিং লৈরবসু ইম্ফাল ময়োলদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট স্কুল খরখক নত্তনা অতোপ্পদি মহৈরোয়শিং তম্লিংবগী চাং হৌজিকসু য়াম্না নেল্লি। অদুমওইনমক, গভর্ণমেন্ট স্কুল খরদদি মহৈরোয়শিংনা তমজগে হায়বদা এদমিসন তৌবা ফংদবা স্কুলসু অদুমক য়াওরি।

মতাং স্বাইদা মণিপুর মহৈরোয়শিংগী অপূনবা লূপ এমসুনা থমজ নিংলিবদি চহীসিগী ক্লাস টেন প্রমোসন পীখিবনা মরম ওইরগা ক্লাস এলেভেন তম্নবা মহৈরোয়গী মশিং অসি হৌখিবা চহীশিংগা য়েংনবদা শরুক অহুম থোকপগী অনীগী চাংদা হেনগৎলক্কদবা মরম্না লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙশিংদা মহৈরোয়শিং য়াম্না তমহনবগীদমক্তা হৌজিক মতম লৈরিঙৈসিদা ময়াম্না পাম্না তম্ননবা তানরিবা স্কুলশিংগী ইন্টেক কেপাসিটি হান্না লৌরম্বা চাংদগী শরুক অনীগী মথক্তা হেনগৎপীনবা মতম লৈরিঙৈদা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎপীহৌনবা লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী অখন্নবা টীম অমনা অথুবা মতমদা কন্মিটি শেম্বীদুনা মাঙজেন্নবা থৌরাং লৌখৎপীদুনা চহী অসিদগী হৌনা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মহৈরোয়শিং মশিং য়াম্না তমহন্নবা থৌরাং অমা পায়খৎলগদি মীয়াম্নসু লৈঙাক অসিবু থাগৎনগনি হায়রি।

মসিগীসু মথক্তা কোভিদ লায়না লাইচৎ অসিগী শাফুনা নোংমগী শু-নোম্লগা চারা তাঞ্জরিবা ইমুংশিংগী মচা-মশুশিং লৈঙাক্কী স্কুলদা তমহনবা নত্তনা অতোপ্পা উপাই অমা অমুক লৈত্রে হায়না খন্নবসু য়াওদবা নত্তে। করিগুম্বা লৈঙাক্কী স্কুলদা তম্বা ফংদ্রগদি প্রাইভেট স্কুলশিংদা চাওনা থীদুনা তমহনবসু ঙম্লোইদবনা মহৈরোয়শিংগী তুংগী পুন্সি মাঙননবগী মচাক ওইগনি হায়রি।

অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা লৈঙাক্না অফবা থৌরাং মতম লৈরিঙৈদা য়াৎহৌদ্রবদি মণিপুর খুন্নাইগী তুংগী মমি শামখ্রগনি। লৈবাক অমা খুন্নাই অমা চাওখৎপা হায়বসি মহৈরোয়শিং অসিনা অফবা অচুম্বা মায়কৈদা লমজিংলবা মতমদতা ওইগদৌরিবনি।

মরম অসিনা এদ্যুকেসন সেক্টর অসিদা হেন্না অখন্নবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা লৈঙাক্না ওইহন্নিংলিবা স্কুল ফগৎহনসি হায়রিবা মিসন অসিসু মায় পাক্লবা অথুবা মতমদা মণিপুরদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংগী ৱাত্তুনা লৈরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি স্কুলশিংগী ইন্টেক কেপাসিটি অসি হেনগৎপীনবা থৌরাং লৌখৎপীনবা এমসুনা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

'মীয়ামগা লৈঙাক্কা থাজবা লৈনরবা মতমদতা তমথিরবা কোভিদ লায়না লাকশিনবা ঙমগনি'

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯ হায়রিবা তমথিরবা লায়না লাইচৎ অসিবু লাম্থেংননবা হোৎনবদা লৈঙাকখক্তদা ইন্থোকপা নৎত্রগনা মসিগা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টখক্তদা ইন্থোকপনা লায়না লাইচৎ অসি লাকশিনবদা য়াম্না ৱানা থোক্কনি। লৈঙাক হায়বসি ঐখোয় মীওইবনা ভোট থাদরগা শেম্বনি। ইলেক্সন্দা মায় পাক্তুনা লৈঙাক পায়রিবা এম এল এ, মিনিষ্টরশিংদা লোইনা ইন্থোকপগী মহুত্তা ঐখোয় মীয়াম্নসু ঐখোয় ঐখোয়গী নাক-য়েৎতা লৈরিবা অৱা-অনা তারবশিংদা তেংবাংনদুনা হিংমিন্নবা মথৌ তাই হায়না সোসল এন্দ কলচরেল এক্টিভিষ্ট রাকেশ নাওরেমনা তেন্থাদা মীনুংশিগী তেংবাঙ থৌরম হৌদোকপা অমদি হৌজিক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী কা-হেন্না অৱাবা মায়োক্লরিবা মীওই ২৭কী ইমুংশিংদা মহাক্কী মায়কৈদগী চেঙ কেজি ৫/৫গা লোয়ননা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা অচা অথকশিং তেংবাঙবগী খোঙচৎ অমদা ফোঙদোকখিবনি।

কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স তেন্থাগা খূৎশম্নরগা পাঙথোকখিবা তেংবাঙবগী খোঙচৎ অদুগী মতমদা রাকেশ নাওরেমনা হায়, হৌখিবা মে ৬তগীনা ২৭ ফাওবা ঐ ইশামক কোভিদ পোজিটিভ ওইরকপদগী য়াম্না ৱানা লেনখি। ঐদা নত্তনা ঐগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংসু পূক্নিং ৱাখল শোন্থবা, য়ূমদগী মপান থোকপা য়াদবগী অচৌবা অৱাবশিং মায়োক্লখি। অসুম্না তেন্থাদা হৌজিক হৌজিক পোজিটিভ ওইরিবা অনাবশিং অমদি ফেমিলি মেম্বরশিংদা অৱাবা অসি মায়োক্লরমগনি খঞ্জরগা চেঙ অমদি অচা অথকশিং অসি তেংবাংজবনি। মখা তারকপদা তেন্থাদা পোজিটিভ ওইরকপা মীওইশিংগী ইমুংশিংদা ঐহাক্কী মায়কৈদগী মীনুংশিগী তেংবাঙ থৌরম অসি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মায়োক্লরিঙৈ মনুং অসিদা লেপ্তুনা চত্থরগনি।

মখা তারকপদা, তেন্থাদা কোভিদ-১৯গী ফর্ষ্ট ৱেভতগীনা সেকেন্দ ৱেভ অসি ফাওবদা মীওই কয়া পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদ্রে। হৌজিক হৌজিক এক্টিভ কেস য়াম্না লৈরি। মখা তানা মীশি মীনা থোরক্কদবদগী কন্ননবগীদমক ঐখোয় চেকশিনমিন্নসি। ভেক্সিন মতম চানা কাপথোকপীয়ু, ইশাদা চিংনবা হেক লৈবগা কোভিদ টেষ্ট তৌথোকপীয়ু। মীয়ামগীদমক হোৎনজরিবা কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সকী থবক থৌরমশিংদা তেন্থাগী মীয়াম্না কো-ওপরেসন পীবিয়ু হায়না টাস্ক ফোর্স অসিগী কনভেনর মোইরাংথম বোইচানা তেন্থাগী মীয়ামদা আপীলসু তৌরক্লি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।